ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯨꯟ ꯱꯶, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯸꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জুন ১৬, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ৮৪শুবা মশীং

# ঈদ-উল-ফিটর

## তাইবঙ মপূনা পামজবদুমক থবক্তা ওন্থোকসি

**ঈদ-উল-ফিটর** হায়বসি মুসলিমশিংগী চাকহেন থা রমজান হেক লোইবগা পাঙথোকপা অথোইবা কুম্মৈ অমনি। থা ১ চুপ্পা চাকহেন কৎচদুনা মায় পাক্লা লোইশিনখিবগী তাইবঙ মপূদা তৌবিমল খঙবা উৎপা ওইনা ইস্লামিক কেলেন্দরগী ১০শুবা থা ‘শৱাল’ হৌবা নুমিৎতা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। নুমিৎসিদা মুসলিমশিংনা অয়ূক ঙন্না য়াহৌরগা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অমনা অমদা নুংঙাইরবা ইদকী য়াইফ-পাউজেল পীনৈ। তাইবঙ মপূদা থৌনিজরবা মতুংদা অহনবা নৎত্রগা নীংথিনা শুদোক্লবা ফি-রোল শেৎলগা ইমুং-মনুং অমসুং মরুপ-মপাং পূন্না ফমিন্নদুনা ব্রেকফাষ্ট চামিন্নৈ। মনাক নকপা মসজিদতা চৎতুনা লাই খুরুম্নরগা খঙন-চান্নবা, মরী-মতা অমসুং মরুপ-মপাংগী ময়ূমদা চৎতুনা নুমিৎ চুপ্পা হরাউ তয়াম্না থৌরম অসি পাঙথোকই। নুমিৎ অসিদা কনা লৈজদবা অমসুং অৱা অনা তারবশিংদা অঙম-অঙন্বা খুদোল তমদুনা মতেং পাংনবসু থৌরমগী মরুওইবা শরুক অমনি। মালেমগী মফম পূন্নমক্তা ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংনা থা অমা চুপ্পা নুমিৎ হেক থোরকপদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা চরা হেন্দুনা লাক্লবা মতুংদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। অদুবু লম-লমগী ওইবা লাইনীং-লাইশোনগী লুচিংবশিংনা অনৌবা থা মশক উবা নুমিৎকী মতুং ইন্না থৌরম পাঙথোকপগী মতম লেপ্পা মরম্না মফম অমগা অতোপ্পা মফম অমগা ঈদ পাঙথোকপগী নুমিৎ মান্নদে। মুসলিমশিংনা থাজনবগী মতুং ইন্না মতম অমদা প্রোফেট মহমদনা মক্কাদগী মেদিনাদা হোংলকখ্রবা মতুংদা থৌরম অসি ইহান-ইহান্না পাঙথোকখিবনি। নুমিৎসিদা সুনি অমসুং শিয়া মুসলিমশিংনা পাঙথোকপা লাইনীং লাইশোনগী থৌরমদা খেন্নবা খরা লৈজরবসু পান্দমদি চপ মান্নৈ। অমরোমদা ঈদ-উল-জুহা হায়না মমিং থোনবা কুম্মৈ অসিসু মুসলিমশিংগী মরুওইবা থৌরম অমনি। প্রোফেট ইব্রাহিমনা তাইবঙ মপূগী পেন্ননবগীদমক মহাক্কী অমখক্তমক পোকপা মচানুপা কৎথোকখিববু নীংশিংদুনা চহী খুদিংগী হজদা লাই খুরুম্বা চৎলুরবা মতুংদা থৌরম অসি পাঙথোকই। নুমিৎসিদা তাইবঙ মপূগী মফমদা ঙমজবা শা অমা মঙক কক্তুনা কৎলবা মতুংদা মীয়াম চামিন-থকমিন্নদুনা হরাউবা ফোঙদোকখি। হায়রিবা কুম্মৈ অসিসু মুসলিমশিংগী খ্বাইদগী চাওরবা কুম্মৈনি হায়বা মীয়াম্না খঙই।

মণিপুরদসু ইস্লাম লাইনিং চৎপা পাঙল কয়ামরুম মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়ামরুমদা খুন্দাদুনা লৈরি। লাইনিং অসিগী মতুংইন্না ঙসি পাঙলশিংনা ঈদ-উল-ফিটরগী থৌরম পাঙথোক্লনবা শেম শাবা লোইখ্রে। থৌরম অসিগী য়েংলগা মণিপুরগী গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর, দেপ্যুটি চীফ মনিষ্টর অমদি লৈবাকসিগী লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীনরি। মশক নাইবা মীওই কয়ানা পাঙলশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমদগী হৌরগা ঈদ কুম্মৈ পাঙথোকপদা চঙবা পোৎলমশিং খূদোল তম্নরি। অদুবু ঐখোয়না নৈনগদবা ৱাফমদি ঈদ-উল-ফিটরগী থৌরম অসি তরাইনা লৌবা য়াদবা, লাইনিং লাইশোল অমদি মীওইবা মশেলগী মরক্তা লৈনবা ফজরবা কুম্মৈ অমনি। মুসলিমশিংনা থা ১ চুপ্পা চাকহেন কৎচদুনা শেন্বীবা মপূবু থৌনীবা, মহাক্কী মতিক-ময়াইবু শৈথাবা হায়বসিনা চাকহেন কৎপগী মরুওইবা পান্দমনি। পান্দম অসি ফংননবনি হায়দুনা কনাগুম্বনা চাকহেনদমক কৎলগা থম্মোয়নুংদনা শেন্বীবা মপূগী ৱাখল্লোনশিং অদুবু নাথৈদুনা পুননবা হোৎনবা য়াওরগদি করি কান্নগনি। ঐখোয় মীওইবা মশেলগী মরক্তা নুংশিবগী লীপূন শাগৎপা হায়বসিনা লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা থৌরম অসিগী মপূং ওইবা শক্তমনি হায়না খনগদবনি। তোল্ল-তারবা, কনা লৈজদ্রবা মীচম মীয়ামদা অঙন্বা মতেং পাংদুনা ঐখোয় মশেল হিংমিন্নবগী ৱাহন্থোক্তু পীননবা হোৎনগদবনি। কলকপা, মীহৌবা, ঐগী লাইনিংখক্তগী খল্লগা অতোপ্পগী লাইনিংবু তাথীবগী থৌওংশিং লাপ্না হুন্দোক্তুনা ঐখোয় ইচিল-ইনাওনি, মণিপুর চাউখৎপা ষ্টেট অমা ওইহনগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন অসি থম্মোয়নুংদা লেংদনা থল্লগদি ঈদ-উল-ফিটর পাঙথোকপগী মহয় চাবা ফংগনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, ঐখোয়গী ওইবা লাইনিং লাইশোলশিং থম্মোয়নুংদা চেৎনা কোন্দুনা লৈজরগসু ঐখোয় মণিপুরীনি হায়বা ৱাখল্লোন অসি কৈদৌঙৈদসু থাদোক্লোইদবনি। ওইজবা খরগীদমক নৎত্রগা পান্দম লৈতবা ৱাখল্লোন খরদা য়ূম্ফম ওইরগা মণিপুর মীয়ামগী পূক্নিং নাগদবা থবক অমত্তা তৌরোইদবনি। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা মশেলগী মরক্তা নুংশি-চানবগী লীপূন হেন্না চেৎশিনহন্নবা ঐখোয় পূন্নমক্না হোৎনমিন্নগদবনি। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈরিবা থাজনদবশিং মাঙহন্ননবা পাঙলশিংনা অহেনবা থৌদাং লৌহন্নীংই। ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তগী হৌরগা মীতোপ চঙশিল্লকপশিং থিংননবা পাঙলশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসিদগী হেন্না কন্না লৌদুনা নুংঙাই য়াইফবা মণিপুর অমা পুরক্নবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা হন্দক্কী ঈদ কুম্মৈ অসি পাঙথোকসি হায়জনিংই অমসুং ঈদকী য়াইফ পাউজেলসু পীজরি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৪

১। অরিবা মণিপুরীদা উচেক-ৱায়া, হৈ-লৈগী মমিংসি শলাইশিংগী অরিবা সাহিত্যদা য়ূম্ফম ওইদুনা কৌনবা চৎনরম্মী।
(ক) ‘থিংবাই নিংথৌ পাউহনচেক’ করি উচেকনো?
(খ) ‘পলেম পীকাউহৈ, তালোই তুকাউহৈ’ করি উহৈনো?

২। হিজম গুনগী ‘বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোড’ অসিদা ৱারী মপূম অমা য়াওদে। থিমগী য়ুনিটি লৈতে।’ অদুবু একাউন্টেন্ট বাবু অদুনা ৱারী ময়ামদু অমতা ওইনা লেংশিল্লকপনি। মাগী ৱারীদা য়াওরিবা কলকতাদনা দাস ইম্ফালদনা চেটর্জি হায়না শাইওনবা নুপাদুগী মমিং অশেংবা করিনো?

৩। ‘‘অসোমদা/কনাসু হন্না য়েংলমদে, তুমীৎফাও পাইরমদে/কেল্লবা মকোক লৈমায়থক্তা তারম্মী।’’ পরেংশিং অসি কবি থাংজম ইবোপিশক্কী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। ‘‘শম্বুল চোইরবী নুপী অমগী শল্লাংবু নীংথিজনা খোমজিন তাশিন্দুনা শাগৈ অমগী মৌ ওইনা লৈতেংহন্নীংবদু মাঙহনবীখ্রে।’’
পরেং অসিনা ‘কীন্থরবা শম্বুল’ হায়বা রেদিও দ্রামা অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৫। ‘‘মাঙদগী টোর্চ লাইট শৎ পায়খৎলগা মমায়দা কাপশিল্লি, মশক্তু মুন্না য়েংই/ওহ: নঙ!’’ পরেংশিং অসিনা সুনিতা নিংঙোম্বম্না ইবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৩গী পাউখুম ৪ চুম্না থাবীরকখিবশিংদি**

১) হিদংময়ূম ব্রজমনি শর্ম্মা, উরিপোক অহন্থেম লৈকায়,
রাজবাবু থোং মনাক, ইম্ফাল ৱেষ্ট (৪)
২) হৈস্নাম রুপো, ময়াং ইম্ফাল থানা ৱাঙ্খে লৈকায় (৪)
*৩) থোকচোম প্রিয়া, খাঙবোক খুনৌ লৈকায় পার্ট থ্রি (৪)*

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৭৩গী ৱিন্নর**

*থোকচোম প্রিয়া, খাঙবোক খুনৌ লৈকায় পার্ট থ্রি (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)*

**লিটরেরি ক্যুইজ ৭৩গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম জুন ১৭, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৩ গী পাউখুম

১। মণিপুরী মতম ঈশৈগী হৌরকফমদি মণিপুরী ফম্বাক লীলানি। ‘জাতি কৌবী শকহেনবী’ হায়বা ঈশৈসি ঙসিফাওবা পাম্না শক্লরি।
(ক) ঈশৈ অসি করম্বা ফম্বাক লীলাদা শকখিবগে? **:- বসন্ত বীমলা**
(খ) ঈশৈ ময়েক অসিগী অইবদু কনানো ? **:- ঐচ নিলমনী সিংহ**

২। ‘‘লৈমন চল্লবী লৈরাংগী অৱাবা/খঙবীরোই কনানা, তাবিরোই তাইবঙনা।’’ ওজা পহাড়ীনা শকখিবনি। শৈরেংবদু কনানো? **:- বি জয়ন্ত কুমার শর্ম্মা**

৩। ‘‘লাইজথক্কী থারিকথা/মালং চীরোল ফংবদা/লৈনা জগোয় শাবদি/থাজ মাবু ঙাইবরা?’’ ময়েক অসি শৈশকপা কৈশাম জামিনীকান্তগী ময়েকনি। কনানা শকখিবগে? **:- নোংমাইথেম পহারী**

৪। ‘ঙসিদি অশেংবা হায়দোক্লগে’ হায়বা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?
**:- যোদ্ধচন্দ্র সনসম**

৫। ‘ঈশৈ পরেং’ কৌবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবীদুনা কনানো?
**:- খাইদেম লন্দনবালা**

# নোংদারোলনা হায়রি নোং চুরবদি হঙোই মচা অচৌবশিংনা গো গো খোংগনি

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



নোংজুলৈমা ফূন্দীৎ ফুন্না হৈথবিরো,
নোমহৌ নোমহৌ থেক্ক থেক নৌগা নৌ
ঐগী চান্নবীনা চৎখিবা য়াদনবা
লাকপদা ঙায়রি মাদি
চৎলগে হায়রি লাকপগা।

সবক ফিল্মগী ঈশৈনি। নোং চুবা পান্বা পাখং অমনা শকপা মরৌ লৈবা ঈশৈ অমনি। তা মোহেনগী ফিলিপসকী রেদিওদা নোং তানি তানি হায়না নুমিদাংগী তরেৎমখায়গী ঈ পাউদা লৈবাক পুংজাউ থিনবমখৈ লাউখৈ লাউথোকপীখ্রগা নোংদি শুক্তা তাখিদবা পুন্সিদা শুক্কাউ কাউঙল্লরোইদৌবা নুমিৎ অমা য়াওখি। নোং হৈথবিরক্তবগীদমক্তা তা মোহেন অসুম্না অসুক য়াম্না পেনখিদবা নুমিৎ কয়া য়াওখিদ্রি। ইচেম্মা রাশিতোন্বীগা তা মোহেনগা থুংনজরমগদবদা থুংনখিদ্রিবসি নোংনা মরুনি, হায়বদি নোং চুরকখিদবদগীনি হায়বসি নাখৈ শেংলে। ইঙাগী নোং লৌনন্বী মানা হেক চুথবিরক্লল্লবা রাশিতোন্বী মোহেনদা চাম্মদা চাম্মা লৈজরমগনি। শাবী শানৌ অনীনা উনসিদি য়াদি য়ানরগা নোংমতা কোয়বা চৎলুসিদি ইচেম্মা রাশিতোন্বীনা শুকয়া হেক য়াজদবনি। ঐনা তাবদা ইচেম্মখোয়গীদি মতমদুদা রেদিও লৈতে। তা মোহেনখোয়গী ফিলিপসকী রেদিও লৈ। নোংজু নুংশাগী পাউ মতম চানা ফংবা ইমুংনি। ’দুঙৈ, রেদিওদা লাউথোকখিবা ইঙাগী ২০নি পানবা নোংলৈ নুংশিৎ অমদি অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং হৈথগনি হায়বা কোরৌ নোংলেন অমদা তা মোহেন্না ইচে রাশিতোন্বীবু কোয়রুসি য়ারকপ্রা য়েংগে হায়দনা দাউ য়েংবগী মওংদা কোয়বা চৎপগী প্রোগ্রাম থাজিল্লুবদা হরাউ হরাউনা ইথা থাজদনা নুরা মানা য়াথোরকখি।

অপঙবা তা মোহেনগী ৱাংউলোনদি মবানি কোয়থবা চৎলিঙৈ ইঙা নোংনা থৌজানবিদুনা ফূন্দীৎ ফুন্না হৈথবিরক্লগা নুরা পাখং অনীনা য়ূমদা হনবা য়ামিন্নদদুনা চেলহৌবা হায়বসিনি অদুবু শাবি মাঞ্জ মাগী থম্মোয় মনুংবু মরোল তরেৎ নুং য়ৌশিন্না উবা ঙমদ্রবা মবুক্তা তীল অচৌবা চঙলবা কুমগী নোং মানা লক্নবনা রেদিওবু থওইদদুনা তাবিরক্তদুনা উচিন নাচিন্না চেনদি চেলহৌদে য়াম্না চাকচনা হায়জৈ। মরুপ মপাং ময়াম্না মাগী মৈচাক পুবা ৱাদু তারগা ফাগীদৌনা ৱাৱা নোকপিখিবা নুমিৎ অদু ঙসি ফাওবা মানা কাউবা লৈতে। তা মোহেন্না খা চিক্তুনা মাগী ফিলিপস রেদিও ফৈ হায়রিসিদদি নুমিৎতুদগীদি হায়জখ্ররোইকো, মসি ঈ পাউগা চুম্না অমত্তা পীদে, ঐ রেদিওকাসে অমত্তা তাজররোই ৱাশকখি হায়না ঙসি ফাওবা মাগী মরমদা চুম্বা চুমদবা ফাগী তৌনরি। ইয়াম্বদুদা নৎতে, ঐমকসু নোং য়াম্না মতাং চানা চুহন্নীংবা মীশিংগী মরক্তা অমনি। হিন্দি ফিল্মদা নোংগী ঈশৈ ফজ-ফজবা য়াম্না লৈখি। মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখি। মণিপুরী ফিল্মদসু নোংজুগী ঈশৈ অদুম পাম্নৈ। মানা মানা পামজবা মওংদা পাম্নজবা ঙাক্তনি নোংজু ঈশৈ। ফিল্ম ওইগেরা ফিল্ম ওইরোইরা। নোং তারবদা ফজদবা কনা লৈগে? নোংনা চোৎপসু নোংনা হাংদোরকপসু। ইমং মংলমদনা শৎ হেক্তা তারকপা ফরক য়াম্না তাবা নোংজুসু কোঙ্গাই অমনি। ঙসি ঙরাংগী নোং অসিসু নোং অদুগুম্বা থিংঙাও লৈঙাওনি। অসুক হিংচারক্নি হায়বসু খনবু খল্লুদে। মমাঙ মমাঙদা কুমগাংবা কুমজা কয়া কয়াসু থেংনখ্রে। মতম অদুদা অফাওবা সাইন্টিষ্ট ময়াম্না মদু উমং ৱামং কোকথোকপননি হায়বিখি অদুদগীদি মথং তারকপা চহীগী ঈচাউ লাকপদসু অমুক উমং ৱামং কোকথোকপননি অদুম হায়খি। চহী কুন-কুন্থ্রা চঙনা হৌরগা ঐখোয়গীদমক চাউবিরক্তুনা নোং তাহনগদৌরিবা উ ময়ামদুবু তেনখ্রবা শুপ্নগী চহী অমগী মনুংদা খুদক্তা থারগা মীৎত্রংদৌনা খুদক্তা চাউবা নংলবগী মওংদা মথং চহীদদি নোং হৈথহল্লি। ইপল খোইদুম্নদি য়াম্না য়েৎলি সাইন্টিষ্ট অমত্তা মৱা লৌজদ্রে মাগী ওইনদি হায়রি। মানা হায়রি মমাঙগী নোংজুসু উমং ৱামং কোকথোকপনা ওইহনবা কুমসি নোংজুসু উমং ৱামং কোকথোকপনা অদুম মওইহনবা য়াব্রা? ইপলগী ৱাসু নুংঙাই ফাগীনি।

হৌজিক নোং লেপ্পা লৈতনা হৈথরে। তুরেল ঈশিং চাউদনা ঈমায় পাথোক্লে, তোর্ব্বান নীংখায়রে। লম্বী, য়ূম্লক, লৈরক-কোঙ্সাং, ওফিস, লোইশঙ, ক্বার্টস লোইনা ঈশিং থুম্লে। নোং তারগা মিনিষ্টরশিংগী য়ূম-কৈ ঈশিংনা চেন্থবা তারিব্রা? থাউফংদবগী মৈশা, মৈ লাক্তবগী মৈচাক, এ টি এমদা ক্যু লেপ্পগী অৱাবা, বন্দগী চৈনা, চীং নীংখাইবগী পিরাং, নোংজুগী চিন্তা, ঈচাউগী কোকচাউবী মিনিষ্টরশিংনা ফংলমনি থাজদে। অয়াম্বা মতমদা ঈচাউনা ঙাওজরিবসি মীচম মীয়াম্বুনি অদুগা মরী লৈনবশিংগীনা মীয়াম্বু নুংশিজহৌবগী ফোটো ময়ামদি কাপহৌবা ফংই। মীখল ময়া ময়াদনা হেল্লিহে নোংজুসু, ঈচাউসু মীং লৈবসু।

অচাথাউ, থুম, মোরোক, চেঙ খরা খরা য়েনবীরগা মীয়ামগী অৱাবা কোকপা ওইনৈ। ঈচাউ থোকহন্দনবা মওং চানা লাক্লবা উদ্রি। চীংশাংশিংবু চুড়াকরণ তৌবনা চীংলৈবাক চেন্থহনবদা অচৌবা মতেং ওইনৈ থওইনা খঙনদ্রি। চীংলৈবাক ময়াম্না তুরেল ঈরোলনুংদা পৈখৎলক্লবদা কনাগী তুরেলনা ঈশিং পাথোক্তনা চেনবা ঙমগনি? য়ূম্লক্তা লাইজনা চেনফম লৈতখৈ কঙাওনজৈ। লাইজগী মহৌশাগী লম্বী পূন্বা নমু তাইবঙ মীওইবনা থৎপীখ্রবদা লম্বী পীবিদবগী শাউরক্তুনা য়ূম মথক্তা লম্বী পীয়ু হায়রকপা তাবনি।

খঙদে ৱারিবসি মীয়ামখক্তনি। ঈশিং চাউরবদি হঙোই অচৌবা, হঙোই মচা, হঙোই বোরোবী ময়াম গো গা গো গা খোংবদি মশানা তাবনি। লাঙই হায়রুবা য়ারোই। নোং চুরদি ঈশিং পাথোক্লবদি হঙোই খোংবা মশানা তাবনি। হঙোইনা হরাউদনা কনানা হরাউগনি, হঙোই পন্থানি হৌজিকসে। গো গা গো গা গো গা...।

# সিটিজনসিপ খঙলক্ত্রবা সিটিজন

**নবকুমার ওইনা**

**মণিপুর** কৌরিমখৈ মণিপুরী লৈগনি। করিসু লুবা ৱা নত্তে। লুরিবনা য়েলহৌমী হায়গেরা লৈহৌমী হায়গেরা, হান্নগী মীশিংসি কয়া কুইনা য়াওখিগদগে হায়বসিনি। ৱাদি লায়বা মানবা, খঙহৌদবা কাঙলূপশিং অদুম মুৎখিবা তারকপদুনি। হৌজিক্তি খঙলবসু কনবা ঙমদনা পুমচায় চায়রগা মাঙখিগদৌবা ময়াম লৈরিবনি।

খঙবদি মানবা খঙদবশিংনা খন্নবদি পংখন্দা খন্নবসু মাল্লি। খন্নগদৌবনি হায়বদি খঙবা, করম্না হিংগনি হায়বদি খঙনদবসু মাল্লি। মীশিংসিসু মখল অনী থোক্লি, মীনা তৌরিবমখৈ য়েংদুনা লৈবা, অমনা লানগেরা চুমগেরা অনীংবা অপাম্বদুমক তৌবা ঙম্বা, পৱার পায়বা ঙম্বশিং অসিনি। ফুদিটতা মাঙজোং চোঙবা হায়বা অমসু লৈরি, খন্থ-খন্থরগা নোক্তবা ঙমদবসু য়াওরক্কনি। মণিপুরদা লৈবা মীবু মণিপুরী কৌরিবসি গ্রামারদু মৈতৈলোনগী নত্তে। মদুসু মৈতৈ লৈত্রবগী খুদম ওইগদৌরিবনি নৎত্রগনা মীতৈ কৌখ্রে হায়রবসু মৈতৈ লৈত্রে হায়বা ওইনা লৌবসু য়াগনি। মৈতৈবু মণিপুরী কৌবা মানবসু য়াওনৈ, মদুনা অমুক হেন্না নোক্নিংবা পোক্লরম্বসু য়ারিবনি। ৱাদা ৱারবদি খরসু নোকপা ফবনি হায়রিবনি। নোক্না নোক্না অদুম মুৎখিবসু য়াওগদৌরিবনি। শিরমদায়দা কপ্পা, লাউবা মীসু অদুম য়াওনরিবনি। লাউগেরা, কপকেরা শিবদি শোয়দ্রে খঙবসু য়াওরমগনি। ফুরুপ মচাশিংসি পুনশিন্নবসু য়াদবা, পুনবগী মহুত্তা লৌশিন্নবগী লাল্লোং চথুনরক্লিবদি কুইরবা থৌওং অমা ওইরিবনি। হৌজিক্না নপশিনখিবা মচেৎ-মচেৎ কায়রকপা য়াওরবনি। ফীভম অসিদা মশা-ইশাগী ৱারী-ৱাখোঙদা মীনম্নবা কয়া অমসু য়াওশিল্লক্লিবনি। পুনশিন্নবগী থৌওংদা অরানবা, কাঙলোন চুমদবা য়াওখিবগী ওইগদৌরিবনি। লায়না ওইনা লৈরবা শাজৎশিং অসি চুমথোক্তনা পুনবসু য়াখিরোইদৌরি। হৌজিক ফাওবগীদি মণিপুরী হায়না পুনবসু য়াদ্রবগুম্বনি, নাগানি হায়না পুনবদসু য়াদবা থোক্লরক্লে, কুকি হায়বা অমদা পূম্নমক পুনবসু য়ারোইদৌরি। পূম্নমক পুনবা য়াবা মমিংগী ৱাহৈ অমা পুথোকপসু ঙম্নদ্রিবনি। অসিমক্তদা হিংবগী থাজবা লৈনরিবনি। মসিনা ৱাখল খন্নরিবসিগী থাক অমা তাকপদুতা নত্তনা ইভোল্যুসনগী থাক অমসু তাক্লিবনি হায়বা য়ারক্কদৌরিবনি।

আই এল পিসু শেমসনু, সিটিজনশিপসু লৈসনু, লো লিশীং শেল্লবসু হিংগদৌবদি লৈতে। ঙসি ফাওবদি হিংবা ঙম্নবগী শাজৎ য়াওদবগুম্বনি। শাজৎশিংসি শেমদোক্ত্রবদি হিংবা ঙমখিরোই। ৱাদি লাইন ওফ এক্সন হায়গনি, মীনা তৌরক্লিবসিদি উনা উনা খঙদে। মপান্দগী আধার পুরগা লাকপা, শাগৈ ওনশিল্লকপা ময়ামসিবু কা মনুংদা ৱাতমক খন্নদুনা লৈবশিংনা কৈদৌগে হায়বনো? লম্বীদসু লুপা তরানা য়ারম্বদু চাম্মা পীশিল্লবদবু কনানা থিংগদৌরিবনো? নুংঙাইরিবদি মচা নিংঙোল পীশিল্লগা য়ূম্নাক শাগৈসু পীবা ঙম্বা য়াওরক্লিবনি। ইলেক্তৈদ ওইনা লৈবদা করিসু তৌবা ঙমদ্রে, লৈঙাক্লা য়ারে। অসিগুম্বা লৈঙাক অমা শেল্লগা কনা কনানা কনবা ঙমগদৌরি। অদুগুম্বা লৈঙাক্তুনা শেম্বা লোনা কৈদৌনগদৌরি। খোংগনবা হুইনা দোলাই তোংবসু ময়ামনি, শা-য়েন ফুৎলগা থাকপদা কুমথরগা চাও হায়বা য়াদ্রিবনি। ক্বাক্তদি ক্বাক হায়না চৈরিবনি, মাংই-শেংই হায়বদগী পুক থন্নবা চাবা পামদবসু য়াওরিবনি। লাইনীং হায়বসি জাৎ হায়বা য়াদ্রবনি, লমদমসিদনা জাৎ ওনবা ওইনা লৌনবসু য়াওরিবা মাল্লি, ফুরুপশিং তাশিন্নবগী মমিংদা ফুরুপ শাগৎপসু য়াওনরিবনি, ফুরুপ ওইনা হাত্তোক্লরি। মপান্দগী হাৎপগী মহুত্তা মনুংদা চোঙশিল্লগা হাৎপা ঙম্নখ্রবনি। মদুনবু ৱারেপ অমা লৌবদা য়েৎনবা হেনগৎলক্লিবনি। এসেমব্লিদা ফম্লিবশিংগী শাজৎ, ৱাঙাঙ, ৱারেপ হোংলক্কনি। হৌজিক ফাওবগীদি করিসু তৌবা ঙমগদৌবা উদে। মীঙোন্দতা পাখোন শিগে, ৱাজাউ ঙাঙদুনা লৈবসিবুনি মোনার্কিজম হায়গদৌরিবসি। অদুগুম্বা নিংথৌদৌনা চাউবা কাঙলূপ, নিংথৌজাওশিং পাকথোক-চাউথোকপা ঙমদ্রে, নোংমা নোংমগী পীক্না চপশিনবা লেপত্রিবনি। লিগেল্লি দুয়েল সিটিজনসিপ লৈবা মাল্লবসু এক্ত অমগীদি এক্টিং তৌবীনবা মীওই লৈত্রবনি। ৱারীনা কান্নদ্রবনি, ৱারীতা লীনদুনা, হোমৱার্ক হোৎনবদা য়ূমদগী মপান থোক্লদ্রবনি। য়োল্লিবা য়েনগী য়েনবোন্দা চিক্লবা মালশিল্লক্লবনি। পুৱারীদদি চহী লিশীং লিশীং লৈরক্লবনি হায়বশিং পুনশিন্নবগী লৌশিং লৈত্রি, য়েৎনবনা হেল্লি, হৈতবগীনি, চুমদবগীনি। খাই খাইদুনা হাৎপা য়াখৎলক্লবনি। জেব্রাগুম্বনি, কৈনা অমমম হাৎলগা চাবদা মঙক থাঙ্গৎলগা য়েংদুনা লৈবা জেব্রাগুম্বা মশা ফবা, মশা নানবা ফুরুপ মাল্লকপদুনি। কৈ হাৎপা ঙম্বা ইরোই চাম্মা চনিনা কৈশিংগী মথক্তা লাল হৌগদৌরিবরা? ককচেংগা পাউ ফাওনগে হায়রবদি ককচেং ওল্লু হায়বসু লৈরি। মনীং থংবশিংগী মশকসু থবক্কী মতুং ইন্না য়াম্না খেন্নবা লৈরিবনি। খোঙনীংগা খুনীংগা খেন্নবগুম্বনি, লান্দা তুং ইনবগা মিনিষ্টরগী তুং ইনবগা য়াম্না খেন্নরি। তুমিন্না মখোয়দি পুনখ্রবজাৎলা, পুনবা য়ানদ্রিবা লমদমসিদা পুনববু ঙম্নরবদি অফবা অমনি। নৎত্রগা মখোয়না লমজিংদুনা মীয়ামসি পুনবা য়াহল্লবদি লমদমসিগী য়াইফবনি। অনৌবা শক্তম অমা পুরকপা ঙমগদৌরিবনি।

অমরা অমরা মৈতৈগুম্বা ফুরুপ অমনা চাইখায়রকপগী হরাউবসু পোক্লে। আমেরিকাদা লৈরবনি, থাইলেন্দদা লৈরবনি, দুবাইদা লৈরবনি, লন্দন্দা লৈরবনি, বোম্বেদা লৈরবনি, ইম্ফালদা লৈরবনি হায়বা ফাওবদা নুংঙাইজবা য়াওনরিবনি। তশেংবদি য়ূমলিং খুল্লিংদবা নোমেদিক ওইরিবগী শাজৎ য়াওরিবা মাল্লকপদুনি। নৎত্রগনা মালেমগী লৈমায়সিদা মশাগীনি হায়বা লম কনবা ঙমদ্রবা ওইগদৌরিবনি। মদুসু ফোলাদা খাবৈ লুপশিল্লগা লৈবগুম্বনি, খাবৈ খারা শাখ্রবনি। লোন অমসুং নাট কনবদি ঙমদনা মুৎশিল্লক্লিবনি, চৈরাওরি হায়বনা য়াবা নত্তে, অহিং তূমদনা থাবল চোঙবদি য়াওরল্লিবনি। মচানা মীরোল লোল্লবনি।

মণিপুরগী সিটিজন ওইনবা মুন্নরকপগী মরম ময়াম লৈগনি। হৌজিক ফাওবদি ওইনীং ওইনীংবা পংওইদা ওইখ্রবা মাল্লক্লি। মতুংদসু অদুমক য়াহনগদৌরিব্রা হায়বগী ৱাদুনি লাক্লিবা। চহী লিশীং কয়া য়াদুনা লাকখ্রবনি, য়াখিগদৌবা মাল্লি। য়াবা য়াদবদু নত্তবদা য়াখ্রিবদু করি মরমদগীনো হায়বা খঙদোকপনা হেন্না কান্নগনি খল্লি। হান্না লাকখ্রবা ঐনদি কোন্না লাকপশিং চঙহল্লরোই হায়বা য়াওগদৌরিব্রা? পূক্নিংগী ৱা পূম্নমক লোনা লাকশিনবা ঙমগদৌরিব্রা?

মীওই কুন-কুন্থ্রানা কাখু অমমম ৱায়রগা খন্নরিবা কাঙলূপ মঙা-তরা শুজিল্লক্লে। পুল্লিবা খরা অদুম পুনবা, শম্নদবা খরনা অদুম শম্নদবা অসিবুরা অপূনবা ওইনা উগদৌবনি হায়রিবসিবু। য়েংলিবা, উরিবা অসিফাওবদা ষণবীদু কৈ ওইনা উগদৌবনি হায়রিব্রা? ৱা মচা মচাদগী ৱা অচৌবা শাগৎপা হৈত্রিবা ৱাজাউ শুরগা ৱা মচা মচা থোকহনবগী থাক্তা লৈবসু মাল্লক্লি। ৱারেপ অমা মপূং ফানা মায় পাকখিবা ইয়াও য়াওদ্রি, চয়েৎনরিবনা অয়াম্বা ওইরি।

য়াম্না পূক্নিং নুংশিরিবদি লৈবাক্কীনি হায়বা ৱা খন্নবদা কাঙলূপ ফুরুপশিং পূন্না হৌ-হৌ তৌবা তোয়না উদ্রি। মমিং ওইনা মীওই অমা অনী উবা অসিনা ৱাখল লৌশিংদা পূন্না চৎমিন্নরবনি হায়বদি থাজবা ঙম্নখিরোই। মীওই য়াংখৈ-চান্মনা পংচোঙদা চোঙবা লাক্ষ কুনতরেৎ-নিপান্না য়েংলগা লৈবদুনি। খঙই হায়নবু লৌগদ্রা খঙদবনি হায়নবু লৌগদ্রা মদুনা হেন্না লুশিল্লকপদুনি। লৈঙাক শিল্লিবশিংনা উরিবা মী মশীং থিদুনা লৈবা মাল্লক্লি। ভোট লেপ্পগী কোক শাখিবদু হন্থবা ঙমদবদগী মীয়াম কৌরগা পংহংদা হংদুনা লৈরিবনি খল্লি। মসিবুনি তৌগদৌবা করিনো খঙলমদবা হায়বা য়াগদৌরিবসি। কনানবুদি লোইনা খঙবা ঙম্লুনি। খঙদবদুনবু চহী লিশীং লিশীংসিদা মুখরক্লিবনি। হিংলকপগী নুংঙাইবদু নত্তে মুখরকপগী লিলা য়েংনরিবদুনি। লিন মকু হুবগুম মমিং পুংহোং হোংনরি।

লমচৎ শাজৎ, ৱাখল লৌশিং হোংদ্রবদি মুৎপদি শোয়দ্রে হায়বা য়ারে। মুৎপা তারবনিনা করম্বা মওংদা মুৎকনি খন্নবা য়ারনি খল্লে। খোইরু থাউমৈ মুৎপগুম্না তুম্নবা চাক্লগা মুৎকদৌবসু মাল্লি, মোমবতি (কেন্দল) মুৎপগুম্না মথি-মকুম খরা চাইখায়রগা মাঙবগুম্না মুৎকদরা, ইলেক্ত্রিক বল্ব মুৎপগুম্না অমনা পুখিবা তাব্রা নৎত্রগা অচাকপা বল্ব ওইনা হেক্তা লংথোকখিবা তাগদৌরিবা?

শিরমদাইসিদা তৌবা য়াবসি সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৬ এক্ত ওইনা ইন্সর্ট তৌরবা মতুংদা মুখরক্লবা ম্যান্মারগী মৈতৈশিং কৌথোকপা য়ারগনি। মণিপুরদদি মৈতৈ মশাগী লম লৈত্রবনিনা কছারদরা বাংলাদেশতরা, তুংদা ম্যুজিয়ম ওইহৌবা য়াবা মফম অমদা তাশিল্লগা মফম চানা মুৎনবা লৈহৌবনা অচুম্বা মানগদৌরিব্রা খন্নথোকপনা ফরব্রা খল্লক্লে।